# ফিফা ক্লব ৱর্ল্ড কপঃ ফ্লুমিনেন্সনা অল-হিলাল অদুগা চেলসিনা পালমৈরাজ মায়থীবা পীখ্রে



**ওর্লান্দো, জুলাই ০৫ (এজেন্সী):** মালেমগী তোঙান তোঙানবা ফুটবোল ষ্টেদিয়মশিংদা চথরক্লিবা ফিফা ক্লব ৱর্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা ফ্লুমিনেন্সনা অল-হিলাল অদুগা চেলসিনা পালমৈরাজ মায়থীবা পীরক্লগা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ফ্লোরিদাদা লৈবা কেম্পিং ৱর্ল্ড ষ্টেদিয়মদা ফ্লুমিনেন্স অমসুং অল-হিলালগী মরক্তা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুগী ওইনা অল-হিলালনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিদা অল-হিলালগী বোল পায়বগী চাং চাদা ৫৮ ওইখিবা মতমদা ফ্লুমিনেন্সনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৪২ ওইখি।

অল-হিলালনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙল্লবসু মেটচ অদুগী ৪০ শুবা মিনটতা ফ্লুমিনেন্সকী মেথিয়স মার্টিনেলিনা অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা অহানবা হাফ লোয়বা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ৫১ শুবা মিনটতা অল-হিলালগী মার্কোস লিওনার্দোনা ইক্বেলাইজর ওইরিবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা পাঞ্জল ১-১দা মান্ননা লৈখি। মখা তানা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ৭০ শুবা মিনটতা ফ্লুমিনেন্সকী হার্কুলিসনা মখোয়গী টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা অল-হিলালগী ইক্বেলাইজর ওইগদৌরিবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু ফ্লুমিনেন্সনা পাঞ্জল ২-১দা মায় পাক্লুনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, চেলসি অমসুং পলমৈরাজগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী চেলসিগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিদা চেলসিনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৬৩ ওইখিবা মতমদা পলমৈরাজনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৩৭ ওইখি।

বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙল্লিবা চেলসিগী মায়কৈদগী মেটচ অদুগী ১৭ শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু কোল পালমরনা চনখিবনি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা চেলসিনা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ৫৩ শুবা মিনটতা পালমৈরাজগী ষ্টেভাওনা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লুনা ১-১দা মান্ননা লৈখি। মেটচ অদুগী ৮৩ শুবা মিনটতা চেলসিনা চথরকখিবা কাউন্টর এটেক অমা থিংনবা হোৎনবদা শোয়বদগী পালমৈরাজগী অগষ্টিন জিয়ানা মশাগী মায়কৈদা পাঞ্জল অমা চনশিঞ্জখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদু চেলসিনা পাঞ্জল ২-১দা মায় পাক্লুনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

# য়ুরোপ টুরগীদমক ইন্দিয়া-এ মেন্স হোক্কি টিম খোঙশানখ্রে

**বেঙ্গলুরু, জুলাই ০৫ (এজেন্সী):** থা অসিগী ৮দগী হৌরগা ২০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুরোপ টুরদা শরুক য়ারুনবগীদমক ইন্দিয়া-এ মেন্স হোক্কি টিম ঙসি নেদরলেন্দসকীদমক খোঙশানখ্রে।


কেপ্টেন সঞ্জয় অমদি ভাইস কেপ্টেন মোইরাংথেম রবিচন্দ্রনা লুচিংবা টিম অসিনা য়ুরোপকী তোঙান তোঙানবা সীটি অহুমদা মেটচ ৮ শান্নগনি। হায়রিবা য়ুরোপ টুর অসিদা ইন্দিয়া-এনা আইরলেন্দ, ফ্রান্স অমসুং নেদরলেন্দসকী মায়োক্তা মেটচ অনী অনী শান্নগনি। অদুগা ইংলেন্দ অমসুং বেলজিয়মগী মায়োক্তনা মেটচ অমমম শান্নগনি।




ঙসি লৈবাক অসি থাদোক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা কেপ্টেন সঞ্জয়না ফোঙদোকখিবদা য়ুরোপ টুর অসি ঐখোয়গী টিমগী ওইনদি খ্বাইদগী মরুওইবা টুর ওইগদৌরি। মরমদি হায়রিবা টুর অসিদা শান্নগদৌরিবা মেটচশিংদা ঐখোয়না ঐখোয়গী অশোনবা অমদি হেন্না হৈশিংবা খঙদোক্লবগী খুদোংচাবা অদু ফংবা ঙল্লগনি।


টিম অসিদা অনৌবা অমদি হান্নগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোয়শিং য়াওরি। টুর অসিনা ঐখোয়গী নেশনল টিম অসি হেন্না হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবদা চাওনা মতেং পাংবা ঙমগনি হায়খি।

ভাইস কেপ্টেন মোইরাংথেম রবিচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা য়ুরোপিয়ন টিমশিংনা মখোয়গী মেটচশিং মতৌ করম্না শান্নবগে হায়বদু হন্দক্কী অসিদা ঐখোয়না খঙবা ঙল্লগনি। মসি ঐখোয়গী ওইনদি খ্বাইদগী কান্নবা অমদি মরুওইবা খোঙথাং অমনি হায়খি।



Title : Minato
By : Laishram Bumeshor Singh
Class : II Roll No. : 7 Sec :
School : Quantum Stem Academy Lambal




Title : A Mango
By : Sinpangbi Chanu Haorokcham
Class : KG Roll No. : 20 Sec :
School : Blue Mount School



Title : Rainy Season
By : Leirikhomba Salam
Class : IV Roll No. : 37 Sec : D
School : St. Joseph's Hr. Sec. School, Sangiprou



Title : Sung Jin-Woo
By : Sahil Rai
Class : V Roll No. : 53 Sec : Rose
School : SL Arena of Learning



Title : Maomao
By : Daina Leishram
Class : VI Roll No. : Sec :
School : Guidance Navodaya & Sainik Institue



Title : Hello Kitty
By : RK Amy Changkhonbi
Class : KG 2 Roll No. : 19 Sec : Pansy
School : Blooming Dale School Yaiskul Janmasthan



Title : Save Environment
By : Tekcham Premkinson
Class : V Roll No. : 36 Sec. :
School : Assam Rifles Public School



Title : Butterfly
By : Atom Bhumika
Class : I Roll No. : 6 Sec. :
School : M.S Global Academy



Title : Butterfly
By : Nganthoi Nongthombam
Class : II Roll No. : 17 Sec. : C
School : M.S Global Academy



Title : A Flower
By : Kangjam Taibangamba
Class: IV Roll No. : 5 Sec. : B
School : Azad English School



Title : Manipuri traditional dress for Meitei Nupi
By : Leishangthem Chingkheinganbi
Class : III Roll No. : 29 Sec. :
School : Standard Robarth Higher Sec. School



Title : Cat
By : Samrul
Class : III Roll No. : 33 Sec. : E
School : Standard Robarth Higher Secondary School



Title : Meitei Nupi
By : T. Yaiphabi Chanu
Class : III Roll No. : 34 Sec : E
School : Standard Robarth H.R. Sec.



Title :
By : Yaikhomba Tensubam
Class : LKG-A Roll No. : 1 Sec. :
School : Bright Foundation School, Thoubal



Title : Rani Gaidinlu
By : Irungbam Liklai Chanu
Class : V Roll No. : 21 Sec. : A
School : Little Flower School




Title : Meitei Chanu
By : Leitanthem Anjelena
Class : V Roll No. : 33 Sec. : A
School : Little Flower School



Title : Scenery
By : Sanasam Victoria Devi
Class : V Roll No. : 67 Sec. : A
School : Little Blower School




Title : Ice Cream
By : Leichal Sapam
Class : IV Roll No. : 37 Sec. : C
School : Little Flower School



Title : Kakashi
By : S. Shilheiba
Class : IV Roll No. : 71 Sec. : C
School : St. Josephs



Title : Rainbow
By : Silheiba
Class : I Roll No. : 1 Sec. :
School : MS Global Academy, Thoubal Houkha

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়নন্না অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।